লুখোসৈ জৌ থাদোকখিবদা মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): লৈবাক ৱাথোক ওইখিবা ড্রগ কেস অমগা মরী লৈননা ফাখিবা চান্দেলগী হান্নগী এ দি সী চ্যেরমেন লুখোসৈ জৌবু হৌখিবা ১৭তা এন দি এন্দ পি এসকী স্পেসল কোর্ট অমনা মরাল লৈত্রে হায়না থাদোকখিবা অদুবু লমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা লূপ কয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লি।

অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল)না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মশামক্কী ক্ৱার্টরদগী য়াম্লবা ড্রগকা কোন্ননা ফাখিবা মীওই অমবু কোর্টনা মরাল লৈতে হায়না থাদোকখিবা অসি লমদম অসিগী মীয়াম্না চিংনদবা ঙমদে। লুখোসৈ জৌগী কেসতা চয়েৎনবা কয়া থোকখিবা লমদম অসিগী মীয়াম্না খঙলবা ঙাক্তনি। লুখোসৈবু বেলদা থাদোক্লবা মতুং মফম খঙদনা মাঙখিবা অমদি মতম খরা লৈরগা অমুক হন্না মরী লৈনবশিংদা সরেন্দর তৌহনবদা লৈবাক অসিগী ফম্নাইবা কয়া য়াওরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। মসিনা মরম ওইরগা লুখোসৈগী কেস অসি হায়র কোর্ট অমদা আপিল তৌদুনা মকোক্তগী নৌনা থিগৎহন্নবা মরী লৈনবশিংনা শীনগদবনি।

লুপা ক্রোর ২৭ লোমগী ওইগদবা ড্রগ ফাবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবী এদিসনেল এস পি, টি ঐচ বৃন্দানা মঙোন্দা লৈঙাক অসিনা ইকাই খুন্নবা উৎতুনা পীখিবা মেদল অদু অমুক হন্না হন্দোকখিবদা লৈঙাক অসিনা ইকাইফম থোকই। মালেমগী লৈবাক খূদিংমক্কা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল ফংনবা হোৎনরি। মরক অসিদা লমদম অসিগী ওইনদি ড্রগ লল্লোনবশিং য়োকখৎনবা হোৎনদুনা লৈরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। গভর্ণমেন্টনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংনবা পান্দমদা হৌদোকখিবা ৱার ওন ড্রগকী ৱাহন্থোক লৈহন্নবা মরী লৈনবশিংনা হোৎনগদবনি।

ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা লমদম অসিগী নুপী ওইবীশিংনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা অমদি লল্লোনবগী থবক থৌওংশিং থিংদুনা লাক্লি। লমদম অসিগী নুপীশিংনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংনবা হোৎনরিঙৈ মরক অসিদা ড্রগকা কোন্ননা ফাখিবা মীওই অমবু মরাল লৈতে হায়না থাদোকখিবা অসি নুপী খুন্নাইবু শীংনবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, যুজর মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট কে রোজিনা থাদোরকপা চেরোল অমনসু লুখোসৈ জৌ থাদোকখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ড্রগকী মায়োক্তা লান্থেংনরিবশিং নীংহন্ননবা মরী লৈনবশিংনা হোৎনরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈ। পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মপূং ফানা মুত্থৎনবা থম্মোয় শেংনা হোৎনরবদি চহী খরগী মনুংদা লমদম অসিদগী ড্রগ মরূ ফংনা মুত্থৎপা ঙমগনি। মীয়ামগী খনবা লৈঙাক অমা ওইরবদি মরাল লৈতে হায়না থাদোকখ্রবা লুখোসৈ জৌগী কেস অমুক হন্না হায়র কোর্ট অমদা আপিল চৎকদবনি। লোয়ননা মহাক্কী কেসকী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর মতীক চাবা করপসননা লৈবা ঙল্লোইদবা মীওই অমদা শিন্নগদবনি।

লমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবা নহা কয়া ড্রগ শীজিন্নবগী চাং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। ড্রগনা মরম ওইরগা লমদম অসিদা মীওই কয়া শিহনখ্রে। মণিপুরদা ড্রগনা কা-হেন্না ইফেক্ট তৌরিবসি স্কুল তম্লিবা মহৈরোয়শিংনি। তুংগী যূম্বী ওইগদৌরিবা মহৈরোয়শিং অসিবু কন্নবা হোৎনবা হায়বসি মমা-মপা অমদি লৈঙাক্কী মরুওইবা থৌদাংনি। মণিপুরদা লৈবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়ানা লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা অমদি য়োনবা মীওইশিং ফাবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোক্লি।

লুখোসৈ জৌ থাদোকখিবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লমদম অসিদা লৈরিবা সী এস ও কয়ানা মফম কয়াদা ৱাকৎ মীফমশিং পাঙথোক্লি। অদুমওইনমক হৌজিক লৈরিবা বি জে পি গভর্ণমেন্ট অসিনা মীয়ামগী ঈহুল খঙশিন্নদনা তুমিন্না লৈথোক্লিবা অসি লাইবক থীবনি। লমদম অসিগী মীয়ামগী খল্লগা লুখোসৈ জৌগী কেস নৌহৌননা পাঙথোকপনা খ্ৱাইদগী হেন্না ফবা খোঙথাং ওইগনি হায়না যুজর মণিপুরগী চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

য়েন য়োকপগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): আই সী এ আর-এ টি এ আর আই, জোন-৭, যু এম আই এ এম, মেঘালয়াগী শেন্থং মখাদা দিরেক্টোরেট ওফ এক্সটেন্সন এদ্যুকেসন সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি ইম্ফালনা শীন্দুনা ঙসি কুম্বী বজারদা সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা য়েন য়োকপগী প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱাহেংবম নন্দকিশোর কাউন্সিল্লর কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ৬; খাঙেম্বম শ্যাম, কাউন্সিল্লর (গভর্ণমেন্ট নোমিনী), কুম্বী এ সী অমদি খাঙেম্বম নবকুমার মেম্বর আই সী এ আর সোসাইটি ন্যু দেল্লিনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

রিসোর্ছ পর্সন ওইনা শরুক য়াখিবা ডা. সুশিলকুমার থৌদাম, কে ভি কে ইম্ফাল ইষ্টনা য়ূমদা য়েন অমসুং ঙানু য়োক্তুনা ফার্মরশিংনা পোথোক হেন্না পুথোক্তুনা শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহনবগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা খাঙেম্বম নবকুমারনা পাঙথোক্লিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুগা মরী লৈননা মীয়ামদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অসিগুম্বা মীয়ামদা কান্নবা কয়া পীরিবা প্রোগ্রাম অসিবু কুম্বীদা দিরেক্টোরেট ওফ এক্সটেন্সন এদ্যুকেসন সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি ইম্ফালনা পাঙথোকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মখা তানা অসিগুম্বা মখলগী প্রোগ্রামশিং ইম্ফালদগী লাপ্পা লৈবা রুরেল এরিয়াশিংদা য়াম্না তোয়না পাঙথোকপীনবা আপিল তৌখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা বেনিফিসিয়রি ৪০ রোমদা য়েন্নাও মচাশিং য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা লৌমীশিংগী নুমীৎ পালনসু পাঙথোকখি।

'লাইশঙ শাবদা অয়েৎপা পীবীগনু'

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): মৈহৈলোল, পাথাং পুথাং কয়াদগী ইপুথৌগী কৌব্রু চীং অসি অশেংবা লাইফম্লেন ওইদুনা লাকপগা লোয়ননা হন্দক মহৌশা কনবা লুপ, মণিপুরনা লাইফম্লেন অসিবু শেমগৎ শাগৎনবা থৌরাং তৌরকপদা ফুরুপ অমত্তনা অথিংবা থম্বীগনু হায়না হুং শিদবা লাইনিংকোল, কৈরেনফাবী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা মীয়ামদা অপিল তৌরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা লাইনিংকোল অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কংলৈপাক অসিগী অশেংবা য়েলহৌমীশিংদা লাইফমসিদা লৈরিবা লাইফম্লেনশিং শেমগৎ শগৎপদা অয়েৎপা অমত্তা পীরক্লোই, হেন্নদুম পুক্নিং থৌগৎলক্কনি। লাইফম্লেন শেমগৎ শাগৎপা হায়বসি মহৌশাগী অকোইবা কনগদৌরিবনি। মহৌশাগী খুৎশেমগী অকোইবা মাঙহনবা নৎত্রগা মাঙহন্দবা হায়বদুদি মহৌশাগী খুৎশেমদা তাংদুনা হিংলিবা ঐখোয়গী খুৎতা লৈ।

লমদম অসিদা লৈরিবা লাইফম্লেনশিং শেমগৎ শাগৎপা হায়বসি য়েলহৌমীশিংগী তৌফম থোকপা মথৌনি। লমদম অসিদা লৈরিবা মীওই অমত্তনা ওইদবা শেমজিন শাজিনবা ৱারীনা ফুরুপ অমগা ফুরুপ অমগগী মরক্তা নুংশিনদনবা শিল্লোইদবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মহৌশা কনবা লুপ অমসুং ফেদরেসন ওফ হাওমীনা পায়খৎলকপা থবক থৌরম খুদিংমক্তা লাইনিংকোল অসিনা মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়রি।

দিভলপমেন্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট ইন ইন্দিয়ন হিলস ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): থৌবাল কোলেজগী জিওগ্রাফি দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইরিবা ডা. এম দামুদোরনা ইবা 'দিভলপমেন্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট ইন ইন্দিয়ন হিলস' কৌবা লাইরিক অমা রিলিজ তৌখ্রে।

ঙসিগী লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অসিদা কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ও চাউবনা শরুক য়াদুনা রিলিজ তৌখিবনি। মহাক্কী ওফিস চেম্বরদা পাঙথোকখিবা লাইরিক অসি ফোঙদোকপগী থৌরমদা কোলেজ অসিগী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিংদা কেমিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টকী ডা. এস লুখোই, ষ্টেটেটিক্স দিপার্টমেন্টকী এল ইবেথোই অমসুং কোলেজ অসিগী অতোপ্পা দিপার্টমেন্টকী ওজাশিংনা শরুক য়াখি।

খৃষ্টমাসকী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): চহী অমদা তাঙনা লাকপা খৃষ্টিয়ন লাইনীং চৎপশিংগী মরুওইবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা খৃষ্টমাসনা লাকপদা লৈবাক মীয়ামদা নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিম (এন এস সী এন)/গভর্ণমেন্ট ওফ দি পীপলস রিপব্লিক ওফ নাগালিম (জি পি আর এন)গী মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা নাগা ফুরুপ অমদি লমদম অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিং ঈংনা-তপ্না লৈবা পীবীরসনু হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): খা কংলৈরোল থীবা চীং তম সনামহী থৌগল লুপ, ঈথাই পুনমচীং ঈথাই কোম্পুককী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী এগজিক্যুটিব মেম্বর থৌনাওজম নিপুনজয় লুৱাংনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা লুপ অসিনা অৱাবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টরদা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেসকা মরী লৈনবা অইবা চেরোল পীদুনা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিদা গ্রুপ সী, দি অমসুং বি (নন-গেজেটেদ) পোষ্টকী থবক কৌবদা ইন্টর্ভ্যিু অমুক হন্না য়াওহল্লকখিবা অদুবু য়ুনাইটেদ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনना য়ানিংদবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা সেন্টরনা অহেনবা মীৎয়েং চঙনবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা য়ুনাইটেদ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লমদম অসিগী লাইরিক-লাইশু হৈরবা নহাশিংনা থেংনরিবা খ্ৱাইদগী চাওবা প্রোব্লেমদি থবক ফংদবনি। মসিদা নৎতনা লমদম অসিদা কা-হেন্না করপসন তৌবগী চৎনবী অমা লৈখিবনা মতীক চারবা নহা কয়া অরেম্বদা তাদুনা লৈরি। মণিপুর গভর্ণমেন্টকী থবক কৌবগী নোটিফিকেসন থোক্লকপা মতমদা লমদম অসিগী নহাশিংনা মশানা মশাদা মরুওইনা ৱাহং অনী হংলি। মদুদি কৌরক্লিবা থবক্কী পোষ্ট অদুগীদমক শেল কয়া য়াম্না পীবা মথৌ তাগনি অমদি করম্বা মীওইদা ৱানোম্লগা থবক ফংগনি হায়বসিনা ওইরি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টনা কৌরকপা থবকশিং লমদম অসিদা লৈরিবা লাইরিক-লাইশু হৈরবা নহাশিংগী ওইনদি চন্নফম লৈত্রি। লমদম অসিদা গভর্ণমেন্টকী থবক তৌগে হায়রবদি শেল পায়বা অমদি অচৌ-অশাং খঙনবা মথৌ তারি। লৈবাক অসিগী নহাশিংনা থেংনরিবা খূদোংচাদবশিং অসি খরদা ওইরবসু ফনবগীদমক গ্রুপ সী, দি অমসুং বি (নন-গেজেটেদ) পোষ্টকী থবক কৌবদা ইন্টর্ভ্যিু য়াওররোই হায়না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখ্রবা মতুং লমদম অসিগী লাইরিক-লাইশু হৈরবা নহা কয়া গভর্ণমেন্টকী থবক তৌবা ফংলগনি হায়না হরাউনখি। লাইবক থীবদি সেন্টরনা লাউথোকখ্রবসু মণিপুর গভর্ণমেন্টনদি গ্রুপ সী, দি অমসুং বিগী থবক লৌবা মতমদা ইন্টর্ভ্যিু হৌজিকসু চথরি।

থা অসিগী ২৭তা লমদম অসিদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমিট শাহনা লাক্কদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা মণিপুর গভর্ণমেন্টতা হৌজিক লমদম অসিগী নহাশিংনা মায়োক্লরিবা খূদোংচাদবশিং অসি কোকহন্নবগীদমক সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা থবক লৌবগা মরী লৈনবা এদভাইসশিং পীরম্লবসু আপিল তৌরক্লি।

ফোরেনগী ফিরোল অমদি খোঙউপ পুরকপা ট্রক লোদ অনী অসাম রাইফলসনা ফারে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): অসাম রাইফলসনা ঙসি নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তাবদা লোগী ৱাংমদা পুরকপা ফোরেনগী ফিরোল, ফুরিৎ অমদি খোঙউপনচিংবা ট্রক লোদ অনী ফারে হায়রি।

ঙসি অসাম রাইফলসনা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী নেসনল হায়ৱে নম্বর টুগী তেংনৌপলদা চিংননিংঙাই ওইবা ট্রক অনী মোরেরোমদগী ইম্ফাল তম্না লাকপদগী খামদুনা চ্যেক তৌরুবদা মরী লৈনবা চে-চাং অমত্তা য়াওরমখিদে। লোগী ৱাংমদা ফিরোল, ফুরিৎ অমদি খোঙউপনচিংবা য়াওরম্বদগী ফাগৎখি।

পোৎ-চৈশিং অদুগী মপূনা থোংমিনলেন মাটে অমদি জাংমিনথান খোংশাংনি। মখোয়দগী ফারবা পোৎলমশিং অদু চাউরাক্না লুপা ক্রোর ২.১৪ রোমগী ওইগনি হায়রি। ফারবা মীওই অনী অদু মখা তানা ৱাহং-পাউহংনবা অমদি থিগৎনবগীদমক কষ্টমস দিপার্টমেন্টতা লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

MANIPUR STATE POWER COMPANY LIMITED

Keishampat Junction, Imphal – 795001

Corporate Office:- Electricity Complex, Patta No. 1293 under 87(2), Khwai Bazar, Keishampat, Imphal – 795001, Manipur, INDIA
Fax : +91385 2450702
Tele: +91385 2450050

NO. 4/42/33KV/L-BAY(KEITELMANBI)/2020/MSPCL(PURCH)/**2253-58**
Imphal, the 23rd December 2020

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE INVITING TENDER

The Managing Director, Manipur State Power Company Ltd (MSPCL), a Government of Manipur Enterprises invites sealed tenders in triplicate from eligible turnkey firms who have experienced in the field of the same nature of work for execution for the following works.

Tender Specification No	Particulars	NIT value (inclusive of GST)	Cost of Tender Paper	Last date of receipt of request for Tender Paper	Due date of receipt of completed Tender	Due date of Opening of Tender
(1)	(2)	(3)	(4)	(5)	(6)	(7)
4/10/20	Installation of 33KV Line Bay at 33/11KV Keithelmanbi Substation on turnkey basis.	Rs. 69.17 Lakh.	Rs. 10,000/-	05.01.2020 upto 4.30 p.m	16.01.2021 upto 4.30 p.m	18.01.2021 at 2.00 p.m.

2. Bidding Documents shall be available from the office of the **Managing Director, Manipur State Power Company Limited, Keishampat, Imphal – 795001, Manipur, India.**

3. The application request for the NIT along with cost of the tender paper (Non-refundable) shown above, in the form of Demand Draft/D-at-Call/FDR/Banker Cheque from a Nationalized/Scheduled Bank preferably having its branch at Imphal (preferably State Bank of India), drawn in favour of the **Managing Director, Manipur State Power Company Limited** should be submitted to the **Managing Director, Manipur State Power Company Limited, Keishampat, Imphal – 795001, Manipur, India.**

Sd/- N. Sarat Singh
Managing Director, MSPCL

HL-B/6639/24

[illegible]

N0. 5/16/2018-MSRRDA/E-Tender/ B-I, 2018-19/3RT(Pt-1)/541
RURAL ENGINEERING DEPARTMENT
MANIPUR STATE RURAL ROADS DEVELOPMENT AGENCY (MSRRDA),
4th Floor, Secured Office Complex, A.T. Line, North AOC : Imphal, Manipur
National Competitive Bidding Through e-Tendering
Dated, Imphal the 23rd December, 2020.

The Chief Engineer, RED/MSRRDA on behalf of the Governor of Manipur invites Percentage Rate tender through e-Procurement from eligible contractors for retender of 1 work [1 road] of Pradhan Mantri Gram Sadak Yojana (PMGSY) Batch-I, 2018-19 in Manipur State.

The procurement officer is Chief Engineer, MSRRDA, Imphal; the tender details and documents shall be available online from 24-12-2020 to 28-12-2020 at https://pmgsytenders.gov.in / https://pmgsytendersman.gov.in

Bid submission start date : 24-12-2020.
Bid submission end date & time : 28-12-2020 & 03:00 P.M.
Date of opening of Technical Bid : 28-12-2020 (Time : 03:30 P.M., Venue : Conference Hall of RED/MSRRDA).
Date of opening of Financial Bid : 29-12-2020 (Time : 11:00 P.M., Venue : Conference Hall of RED/MSRRDA).

Sd/- Kh. Dheinyachandra Singh
Chief Engineer, MSRRDA

HL-B/6641/24&25

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KAKCHING

Ref :- Mutation case no. 237/SDC/K Dt. 18/12/2020

Manglor Kom K S/o Tomba Kom K of Kakching Mantak Village. -Petitoner

-Vrs-

Khomyai Kom S/o (Late) Chuireng Kom of Mantak. -Opp.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Kakching, the 21st December, 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি, ককচীং তহশিল খুল নং ৬৪ মান্তক পাট্টা নং ৫৫ (অরিবা), ১১২ (অনৌবা) দাগ নং ৪০০৯, ৪০১৯ অমসুং ৩৬/৪০২৪গী লম একর .৪২, .৪৬ অমসুং .৬৮ চাওবা ফৌরেল অমসুং অঙনফৌ লমশিং অসিগী উক্তা পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। ইমুং-মনুং য়ানদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মশুনুপা উক্তা দংকারিগী মিংদা দাগ নং ৩৬/৪০২৪গী লম অসি নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা হায়রিবা লম অসিগা মরী লৈননা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ২৮/১২/২০২০ ইংগী অয়ূক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱাকৎপীরক্কদবনি। উক্তা তাংগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector, Kakching

HL-B/6637/24

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF VETY.& A.H. SERVICES

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **E-TENDER NOTICE**
Imphal, the 21st December, 2020

No. 1/NEC/M/3-Vety(Pt.): The Director, Vety. & A.H., Govt. of Manipur hereby invites E-Tender with 2 bid system i.e. Technical Bid consisting of all technical details and Price Bid indicating item-wise price of the items from all intending reputed and registered firms/suppliers/distributors for supply Pregnant Murrah Buffalo Heifers (3-6 months) for implementation of the project "Adoption of Milch Murrah Buffalo in and around Loktak Lake under North Eastern Council (NEC) during the year 2020-21.

Specifications of each item are enclosed in the Annexure "I" and "II". Rates to be quoted are to be Free on Rail (F.O.R) destination of the concerned District of Manipur inclusive of GST and transportation charges.

The detail of the Tender will be available on the website **www.manipurtenders.gov.in**

Sd/- **H. Chaoba Singh**
Director, Vety.& A.H. Services,
Manipur.

HL-B/6640/24

[illegible]

N0. 5/16/2018-MSRRDA/E-Tender/Ph-XI(B-II, 2017-18)/3RT(Pt-1)/540
RURAL ENGINEERING DEPARTMENT
MANIPUR STATE RURAL ROADS DEVELOPMENT AGENCY (MSRRDA),
4th Floor, Secured Office Complex, A.T. Line, North AOC : Imphal, Manipur
National Competitive Bidding Through e-Tendering
Dated, Imphal the 23rd December, 2020.

The Chief Engineer, RED/MSRRDA on behalf of Governor of Manipur invites percentage rate tender through e-Procurement from eligible contractors for retender of 2 bridges under Pradhan Mantri Gram Sadak Yojana (PMGSY) Phase-XI (Batch-II, 2017-18) in Manipur State.

The procurement officer is Chief Engineer, MSRRDA, Imphal; the tender details and documents shall be available online from 24-12-2020 to 28-12-2020 at https://pmgsytenders.gov.in / https://pmgsytendersman.gov.in

Bid submission start date : 24-12-2020.
Bid submission end date & time : 28-12-2020 & 03:00 P.M.
Date of opening of Technical Bid : 28-12-2020 (Time : 03:30 P.M., Venue : Conference Hall of RED/MSRRDA).
Date of opening of Financial Bid : 29-12-2020 (Time : 11:00 A.M., Venue : Conference Hall of RED/MSRRDA).

Sd/- Kh. Dheinyachandra Singh
Chief Engineer, MSRRDA

HL-B/6641/24&25

IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING

Ref :- Mutation case no. 1105/AS&SO 21/12/2020

Mayanglambam Nanda Singh S/o Dinamadhop Singh of Kakching Khullel

-Vrs-

Mayanglambam Jiban Singh S/o Dinamadhop Singh of -do-

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

21/12/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরনা ককচীং তহশিল খুল নং ৫৮-ককচীং খুল্লেন পাট্টা নং ১০৫৭ অনৌবা দাগ নং ১১৪৯/pt(E) এরিয়া .০৩ হেক্টর ইংখোল অসিগী পাট্টাদার ময়াংলম্বম জিবন সিংহ পীং: মৃ: দিনামাধোপ সিংহ সাং ককচীং খুল্লেন অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কক্থৎপীরগা পিটিস্নরগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইংখোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই, কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/- Asst. Survey & Settlement Officer, Kakching

HL-B/6637/24

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; MOIRANG

Ref :- Mutation Case No. 335/SDC/M dt. 23/12/2020

Minarjan Bibi W/o Abdul Salam of Kwakta W/No. 8.

-Vrs-

Late Md. Abdul Salam S/o Md. Abdul Manap of Kwakta Pangal Lamkhai W/No. 8.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Moirang, the 23rd December, 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৯১-ক্ৱাক্তাদা লৈবা পাট্টা নং ৩৯৯৭/৪১৭৮ অনৌবা, সী এস দাগকী নং ৭৯৯৩/৮১৬১, এরিয়া ০.১০ একর চাওবা ইংখোল অসিগী মনুংদগী এরিয়া ০.০৬ একর চাওবা ইংখোল অসিগী কো-পাট্টাদর নং ২ অসি মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী লোয়নবী ইমুং-মনুংনা হায়রিবা লম অসি মিং ওনবীরো হায়না উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্তা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,** Moirang

HL-B/6638/24

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; SAGOLMANG, IMPHAL EAST

Ref :- Mutation Case No. 418/SDC/SLG/IE of 2020

Parties :
1. Yumnam Sanathoi Singh S/o Shamu Singh of Waiton Mayai Leikai.
2. Yumnam Brojen Singh S/o Purnima Singh of Waiton Mayai Leikai.
3. Yumnam Romen Meitei S/o Purnima Singh of Waiton Mayai Leikai.
4. Yumnam Binochand Singh S/o Tombi Singh of Waiton Mayai Leikai. -Petitioners

-Vrs-

Late Pattadar:
(Late) Khaidem (N) Yumnam (O) Maipakpi Devi W/o (L) Sam Singh of Waiton. -Opposite Parties

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Sagolmang, the 10/12/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সগোল্মং তহশিল খুল নং 31-Waiton পাট্টা নং 742 (অনৌবা) দাগ নং 2209 মোট এরিয়া .58 একর চাওবা ইঙ্খোলগী পাট্টাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসি মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**
Sagolmang, Imphal East

HL-P/8327/24